'ঈখুৎনা থাজে ঈনশাংদো, ঈখুৎনা তন্না হেকচৈদো, নুংঙাইবনি ঈনিংতম্বদো''
- হিজম অঙাংহল ('ঐগী' শৈরেংদগী)

সেরেং

## ছোজৈ

—এম নিলকুমারি

নোংমা চৎলুই অরাপ্পা খুঙ্গং অমদা
লাপ্পা য়াম্না লাপ্পা উরুই অরংবা মঙাল
চঙশিন্দুনা য়েংনীংই লৈতাদ্রবা
ককঙাওরবা ৱাখলনা ;
পূক্লিংনা হায় চঙলুনু কৈ নোংশাগী মকোলনি
ৱাখলনদি অসুম অসুম লেপ্লাইদে
মফম অদু য়ৌরক্লে চাওরবা ছোজৈ
য়াওদ্রবা ৱাইখু অমনা হাইনা হুম্না নুংশিৎকী
ইপোমদা শান্নদুনা লৈবনি হায়বা
মনুংদগী থম্মোয়দা খোন্থাং অমা য়ৈরক্লুল্লি
ঐ লৈরি য়ূম মনুংদা ছোজৈগা ৱাইখুগনা
শংলিবনি থৌনা ফনা।
খুল্লিবা পাউখুমনি য়ূম মনুংদগী
কনাবুসু কিদে কনাবুসু য়েক্লদে
চারি-থক্লি - ঈশিং বোট্টল-বিস্কিট
সাধু সৈন্যাসিমক নৎত্রবসু
কল্লক মীহৌগী ৱাংমদা লেল্লবা পুন্সি অমনি
ৱাইখু + ছোজৈগী পাউখুমনি।

তুমহল্লু তকশিল্লু চেনশিল্লু।
খূৎলায়না শোল্লবা শিরবা হিংচাবা
কয়ানা লানফম লৈমায় কুপখি।
লানফমদা থুংলরে লাইগী মীচঙদা
অঙকপা খূৎলায় পায়রবা, নর-নারায়ন।
নরগী তেন, নরায়নগী চক্রনা
হাৎলক্লে হীংচাবা মশীং লাকঙমদনা।

## চপ মান্নে

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

বোসতুনা তৌই ফোন
মাগী ষ্টাফ অমদা
করিগীনো নঙ ঐনা ফোন তৌরগা
থওই উশিৎত্রিবা
কৈমতা খন্দবৈ ৱানিনে বোসনি হায়বসে।
ফোন তৌবদা ঐনা
পায়রকই নঙগী নুপীনা
চাক থোংলি হায় নঙ
অদুদি অমুক তৌরকপা য়াদ্রা
ষ্টাফতুনা সর ঐ অমুক তৌজরম্মী
পায়রকই মেদামনা
কোন ফেংলি হায়রকই সরদি
হা... করি তাদ্রে
হলো হলো।

## অশৈবদি নোংমৈ পায়দে

—রঘু লৈশাংথেম

অশৈবা অমত্তনা ইখিদে
নোংমৈনা শৈরেং।
অসিনা অশৈবদি
নোংমৈ অমত্তা পায়দে।
ইদে নোংমৈনা শৈরেং অমত্তা
অশৈবগী মফমদা নোংমৈ কান্নবা করিনো?
লান হায়বদু লৈতে অশৈবগী মফমদা
মখোয়দি ইবতনি ৱাহৈনা শৈরেং।
শান্নরিদনা অশৈবদি
মতম খুদিং ৱাহৈবু লৈ ওইনা।
নোংমৈদি।
নোংমৈদি হেক কাপ্পদা
ঈ থোকহনবা ঙম্মী
অসিনা অশৈবদি থাজৈ
নোংমৈনা কনা অমত্তগী পুন্সিদা
অফবা থবক অমত্তা তৌখিদে।
অশৈবগী থম্মোয়দি লৈকোলনি
লৈখল শুনা শাৎলিবা...।
করিগুম্বদা নোংমৈদু
পীরবদি অশৈবগী মফমদা
শাৎহনগনি লৈ
নোংমৈ মতোন খুদিং
তোংহনগনি ৱাহৈগী কুরাকশিং।
নোংমৈদি মী হাৎনবনি।
পামদে অশৈবা অমত্তনা মী হাৎপা
মীগী থম্মোয়দি লৈনি।
অসিনা মতম খুদিং
অশৈবদি নোংমৈ পায়দে।

## দেমোক্রেসি

—খুরাইজম মিলন

দেমোক্রেসি,
নঙগী ৱাহঙ্খোক্তি
ওহ্নোক্লসু মরীক চুম্মীদা।
অদুবুনে
নঙগী সিষ্টম মখাদা
লৈরিবা
তোল্ল-তারবা,
লায়র-চুদৎনবা
ইকোনোমিক ক্রাইসিস কয়াবুদি
কুপশিন্দুনা থল্লগা
নঙগী ইন্নফিনা
লাওরি -
হঞ্জিন-হঞ্জিন
দেমোক্রেসি!
দেমোক্রেসি!

## লাংবনগী ঈশৈ

—অঙোম ইবোমচা

খোংলি হরি
খোংলি হরি
নিং-নিং নিং-নিং
নিং-নিং নিং-নিং
মনা পুংনা
চাওরবা পামেলদা
খোংলি হরি
খোংলি হরি।
ওলাং মৈশা
শারবা নুংশাগী
কোকহল্লি মৈশা
ঈংহল্লি থম্মোয়
তাবদা খোঞ্জেল
নুংশিবা খোন্থাং
খোংলি হরি
খোংলি হরি।
পেৎহল্লি থম্মোয়
ঈংহল্লি পূক্লিং
নীংশিংহল্লি
মহৌশা লাইরেম্বী
খোংলি হরি
খোংলি হরি।

## নুমিৎ অদুনা ঐবু

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ইদোম তূমিন ফল্লদুনা
খনখি কনা য়াওদনা
নহাক্না হায়খিবা ৱাহৈশিং
অদুবু নীংশিংলদুনা।
কাউথোক্লুরবা নহাক্কী
ৱাহংশিং অদুবু নীংশিংলদুনা
পীনীংখি পাউখুম
মতম কুইনা লৈরুরবগী তুংদা।
হায়দোক্লগে খনখি ঙসিদি
কনা খঙহন্দনা থল্লুরবা
পাউখুম অদো নহাক্কী নফমদা,
ঙসিদি ফোঙদোক্লবনি
নহাক্কী নফমদা
ঐগী অরৈবা পাঙ্গল
থৌনা পুথোক্লদুনা
নহাক্কী থৌজালতবু য়েংলদুনা
হে, নুংশি চান্না থোইরবী।

## মুখৎপা ঙমগনি

—ইরোম মোবি

শেঞ্জা থুমজা মুখৎকদৌবদি
লৈঙাক্কী অঙম অথৌশিং
লোয়শঙগী অচৌবা ফম পায়বশিং
অমদি মীয়াম্না
মতিং লৈনা হিংলবা
শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা লেপ্পবা
মতম অসিদতা
শেঞ্জা থুমজা পুমমুৎ মুখৎপা
শোয়দনা ঙমগনি।

## হুমাংমল

—ডা. অকোইজম ইবোহল

লৌচি কোয়বা ঙমদবা
লাংবন নুংশা মৈরীলক্তা
লিরি লিরি হুল্লকপা
মলয়া নুংশিৎ নামীবা
মহাক্কী শাহুম তাম্বাদা
শংবান্নরবা ফৌনা চবুন্না
ঈথক ঈপোম হৌবদি
য়েংবগী পেনবা নাইদেদা।
অশংবা ফিজোল থোল্লিবা
খারি লৌবুক শিনবা থুং
নেমনেম নেমনেম হৌরিবা
ফৌনা লংচাক হাল্লকপবু
য়েংজরি চেপথ চেপথ
লৌরাং শুরিবা লৌমীশিংদুনা
লাইবক্তা পল্লম্বা হুমাং ইরিকশিং
লৈচিল ওন্দুনা পাইখিবগুমই।
কয়াগী মতিক ৱাজখিবা
কয়াগী মতিক মিপাইজখিবা
ইঙা কুমদমদ্রবদা, ইঙেন কুমখায়দ্রবদা,
নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনখিবগী
থাঙ্গোল ময়া থাংলো হৌজিক্তি
খাওননবা সনা ফৌ
লৌখাও পান্থানা য়ৌরকপদা।

## লম্মাংনবা

—পাঙম্বম সেন্দাস মৈতৈ

চৎলিবনি অসুম, অসুম চৎলিবনি
তুরোই-ঙারোই, ঙাওরি-ফৈরি
ৱাখল অমা খন্দুনা, মঙলান অমা মঙদুনা।
করি মঙলান্নো মঙলিবা, করম্বা ৱাখলবু খল্লিবা
কদোমদবু চৎলিবা, কদাইদনো পন্থুং,
কনাসু খঙদে, কনানসু হংলদে, ঐনসু থৌশারুদে
চৎপদমক মচৎলি, চৎখিগদৌরি অসুম।

## মকোক য়াওদ্রবা

—রাজকুমারি মীনা

নাকল অনীমক্তগী থৌর-থৌরবা খূৎলায়
থাঙ-তা, তেন নোংমৈ লিশীং লিশীং
য়ান্নখি, হুন্নকি, কাপ্পখি
অমনা অমগী মশাদা।
পুমনিন নিনখি লাও খোংবা
অৱা-অনা খোঞ্জেলনা।
হাৎলু থিঞ্জিল্লু ককথৎলু

## হে মালংবা!

—রামেশ্বর লাইশ্রম

হে মালঙবা
নঙদি নথৌ থৌয়াম
চাম্মনা পুনবনি
মীৎকুপ অমা শংজবা লৈতবনি
ওইবীয়ু ঙসিদি নঙনা
নথৌ থৌয়াম চাম্মা চিন্না
ঐগী পাউখোল্লোই।
নঙনা নৎত্রবদি মালংবা!
ঐগী লকানুংগী ৱাসে
পোমগংনদুনা মাঙগদৌরে চিনবাঙ্খোংদা
ঈয়াইথক্কী কোঙ্গোলনা কায়খি
ঈথক্কী কল্লবা শাফুন্দা,
পাম্মুখ্রেদা মালংবা!
কায়খিগদবা আশাসে।

মতম মতমগী ৱাখল

# কোভিদ লাইচৎনা লাকশিনবীখ্রবা নাৎকী মশকশিং

হিংবসি মরুনি । হায়নখিবা অমা লৈখি- 'হিংননবা চাব্রা, চাননবা হিংব্রা ?' হৌজিক্তি অনীমক ইমান মান্নে । হিংননবসু চাবনি, চাননবসু হিংবনি। মফমসিদা মাঙখ্রিবা ৱাহৈসি 'কথোকপা' হায়বসিনি। হৌজিক কথোক্লদ্রে। কথোকপসি অপঙবা ওইনা খন্নরে। 'কথোকপা' হায়বসি য়ুমগী মীনা পামদে। য়ুমগী মীদি পুশিল্লকপদা হরাউই। কথোকপসি লাইরবা ওইনবা শীঞ্জবা থৌরাংনি হায়না লৌনরি। মসিনা ওইবা তাই,ঙসিগী রাজনিতি তৌরিবশিং অসিসু মতম অমগী রাজনিতি তৌরম্বশিংনা চৎখিবা লম্বী অদুগা মান্নদে। মতম অমগী রাজনিতি তৌবশিং ময়ূম মকৈ নীংথিনা শাবা উদে। মরল মথুম লেপশিন্দে, মচা মশু শেম্নদে । একাগড়ি অমা তোংলগা রাজনিতি তৌনরম্মী। মীগী কান্নবা তৌবা কথোকপা অদু রাজনিতি তৌবনি খন্নখি। রাজনিতি তৌবা মী লাইররমখি। ঙসিগী রাজনিতি তৌবশিংদি ময়ুম মকৈ, লন থুম কুবেরনি। কথোকপা য়াওদে । কৎলরবদা লৌনবদগীদমক রাজনিতি তৌবননি হায়বসি কদায়দা লাল্লি হায়গদগে ?

ঐখোয় মীওইবনা হৌজিক্কী মতমদা হিংনবা হোৎনবদা মানা মানা ঙম্বা থবক ইনখাং শুনৈ, নোম্নৈ । মতম অমগী নিংথেমচা ষনপোৎ লাঙ্গোন পায়বা য়াদে হায়বদু লৈত্রে । বামোন থৌরাণীসু থবক শুনরে, কৈথেন থোক্লরে । ঐগ্যনা পুশিল্লকপদা ঙাইবদো তোক্লরে। লৈকাইদা থোক্তুনা ৱারী শাবা য়াওরবনি। ঐখোয়গী লমদমসিগী ওইনা নাৎকী ওইবা মহৈশিং, মীরোন্দা হায়রগা কালা সংস্কৃতি অমদি শান্ন-খোৎনবা অসিদা পীথোকলকপা,পূক্লে চোন্না লৈজরকপা অমনি হায়বসি হায়নদুনা লাকই। ৱাফমসিদা ঐখোয় চাওথোক্লরি, পেন্থোক্লরি। অচৌ অশাংশিংনা আর্ট অন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা মণিপুর মশক তাকলিবনি হায়না লাইৱা অমগুম্না তোয়না হেক হেক পল্লি। মসিদা আর্ট অন্দ কলচর অমদি স্পোর্টস তৌজবশিংনা হরাউজদুনা খুবাক খুনৈ । শান্ন-খোৎনবগীদি পোফম অমা, মফম অমা চাখ্রে। মহৌশাদগী হৌনা, য়ুমদা মী লাকপদা লাক্লিবা মীদুনা অঙাংদা পৈশা পীরম্বদা মমা মপানা হরাউজে । অঙাংগী খজাইদা শিকলম্বদা নুংশিবীবা মান্দুনা মমানা মচাবু পমখৎলগা চুপচরিবনি। নীংশিংলি-ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবীরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা মণিপুরবু 'স্বীটজরলেন্দ ওফ ইন্দিয়া' হায়বদা মণিপুরগী কংগ্রেস তুপী উপ্পা ময়াম্না খুবাক খুখি। মীচম মীয়াম্নসু পেঞ্জদুনা খুখি। স্বীটজরলেন্দনা ফজরিবা চাউখৎলিবা, শেন্নি শারিবা অদুদি কনাসু উদ্রি । অদু য়ৌনা মণিপুরদা শেমগৎ শাগৎপসু তৌদ্রি। ৱাহৈদা পেনখিবনি। ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিষ্টির ওইবীবা মতমদা, মদুগা হায়ফেৎ মান্ননা মণিপুরদা লেঙবীরকপা মতমদা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চোন্না তিনবা মীয়ামদা হায়খি- 'মণিপুর ভারতকী মণিনি'। তাঙলবা মণি নৎত্রগা হিরা মুক্তা অদু অমুক ওইনা উহনবনি। ৱাহৈসি তাবদা ঐখোয়না পেল্লি, ময়াম খুবাক খুখি। হিরা মণি-মুক্তাগী মপূদি ঐখোয়না ওইবা ঙমদ্রি । মপু ওইদ্রবসু য়ারে থৌজালবীবা হৈবা, ৱাহৈদা পেঞ্জবা ঙম্লগা লোইরে । ৱারী লাইরিক তাবদা তূমল্লগা, উইরগা তাবা হৈবা ইপা ইপু অহল লমনশিং অদুগী চাদা নাউদানি ঐখোয় ।

মীসি থাগৎলগা হরাউই । থাগৎপা হৈবা মীসু লৈ । লাইরিক হৈবা মীশীংনা হায় মণিপুরগী শাংলবা চহী লীশিং অনীগী পুৱারী লৈ । কুইরে হায়রকপা ঙসি ফাওবা লীশিং অনীদগী হেন্দনা অদুম লৈরি । অঙ্কসি করম্না হোৎপনো খঙদে । অসুম্না অসুম লৈরকপসিনা খঙহৌদনা কোভিদকী লাইচৎ অমা খঙথেং থেংনরকই। মমাংদা কোলেরাগী লাইচৎ অমা লৈখিবগী পাউ তাখ্রে । মী অমা পোৎলোইরিঙৈদা অমসু পুথোক্লকখি হায়নৈ। মথং মথং খোং হাম্বগী লায়ননা পংশিদা শিখি। মদু, শাথিবা মতৌ অমা ওইনা লৌনখিবনি। ঙসি ফাওবা ৱারীনরি। লায়না অদুদি মণিপুর খক্তদা তৌখিবনা এপিদেমিক্লি । হন্দক্কী অসিনা মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পাক শন্না মী শিরকপনি অদুনা পেন্দমিক্লি হায়রি । লাইনাসি মতম শাংনা লৈরক্লি ঙসিসু অদুম চৎথরি। চহী অনী শুখ্রবা লায়না অসি ঙল্লিঙৈদা য়াম্না কীনরম্মী হৌজিক্তি করিসু থৌওইনদ্রি অদুনা হিংচাবীগী চাকথাক্লুম পালি নাইনা নুমিৎ খূদিংগী অমমমদি চাকথাক হুল্লি । মশক নাইবা কয়া খাংঙু থক্তা পীখম্নরি ।

লাইচৎ অসিনা খম থেংনা ৱাহন্দবা মী লৈত্রে । অৱাবা খাঙনরিবশিংগী মনুংদা লৈতা-লাইরা তাঞ্জবশিংনা অমুক্তা হেল্লি । লৈতা লাইরা তাঞ্জবা হায়বসিদা, মীশক মীওইসি অকক্লবা লৈত্রে । খূৎ-শা হৈবা,লৌউবা, শিল্লংবা, লীলা, ড্রামা, ঈশৈ-নোংমাই, ৱারী-লাইরিক, অইব-অইবী, মনা মশীং য়োনবী, ঙায়োনবী, পোৎয়োনবী অসিনচিংবশিং অসিনা হেন্না ৱাননরি । ৱামনবদগী পুখম তেঙ্কোৎ য়োল্লি হায়বমক্তি তাদ্রি অদু ওইরগসু আর্টিষ্ট খরদি মশানা খোংনবা ইন্সট্রুমেন্ট (যন্ত্র), মফি মরোল য়োন্থোক্লগা ইমুং মনুং পুনবা য়াওবগী পাউ তাখি। শুম্মাং লীলা শান্নদবা কুইরে । শুম্মাং লীলাগী কাঙলুপ অমদা মী কুনদগী তাদনা য়াওরি। লীলা কাঙলুপ য়াম্না লৈত্রে । হান্না লীলা য়াওবীরম্বা মশক নাইবা কয়া লৈখিদ্রে খরা অমনা অনাবনা মরম ওইরগা পোথানখ্রে। মীয়ামবু অৱাবা পোথাবীহনবিরিবা পরফোর্মিং আর্ট কয়া হান্নদগী ফিভম শোক্লা লৈরিঙৈসিদা লাইচৎ অসিনা খম থেংনা অৱাবা কয়া পীররি। চানিংঙাই লৈতবনা ৱাবদগী লাইয়েংনবা শেল পুথোকপনা হেন্না পৈশা চঙবা অমদি অৱাবা খুদোং চাদবা হেল্লি । চানবা লৈতবগী পুরুবদি লুপা লীশিং খরনি লায়েংবদা চঙলিবদি লাখ লাখতনি। লায়েংনবা লৈতবগী অৱাবসিনা ইঙ্খোল য়োন্থোক্লবা য়াওনরি।

শোকচিল্লিবা অসি শেন থুমগী ফিভম খক্তা ওইদ্রি । নাৎকী মশক্তসু চাউনা কায়থরক্লি । লাইচৎ অসিনা শিখ্রিবা মীওইশিং লমশি শিবগা মান্নহল্লি । মশাগী মংদা পোৎলোইবা য়াহন্দ্রি। লাইচৎ অসিনা নারবা অমদি শিরবা মীওই কয়া ইমুং মনুং, মরি মতা উন্নহন্নদনা মশাগী লৈকাইগী মংদা পোৎলোইদনা মফম অমদা লোইশিনবীখ্রবনি। চৎনবীগী মতুং ইন্না অশি থৌরম পাংথোক্লখিদবা কুইরে। লাইশোন তিনশোন পারম কাইরে । থৱায়শিংনা করম্না লাল্লমগনি। হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা নোঙ্গাখ্রবা অহল লমনশিংদা চেঙ খুয়া অমত্তা ওইরবসু মচা মশু ওইবশিংনা কৎচগদবা অদুসু কৎহনবীদ্রে। খুন অমগী লৈকাই অমগী কুমগী উমং লাই হরাউবা হায়বা থৌরম পাংথোক্তবা য়াদবা অদু ফাওবা পাংথোক্লরক্ত্রবনি। থৱায় হকচাং, পোনবী-লাং, মৈ ঈশিং নুংশিৎ হৌজিক মরী অমত্তা লাইচৎ অসিনা শম্নহন্দ্রি । অমগা অমগা মরী লৈনদবগুম চপ লেপ্লি । মসিবু হৌনরিব্রা, তৌহৈরিব্রা? ঐখোয়সি হিংলিব্রা নৎত্রগা শিবা ঙাইরিব্রা মফম খঙদনা লৈরি। মথক্তা পঞ্জখিবা চাননবা হিংলিব্রা, হিংননবা চারিব্রা হায়বদু হৌজিক্তি শিননবা হিংলিব্রা নৎত্রগা হিংননবা শিরিব্রা হায়বসিদা তারক্লি ।

লাইচৎ অসিগী লাইয়েংসি ইশানা চেকশিঞ্জবা হায়বসিদা অরোয়বদা লাক্লে। ইশানা চেকশিনবা হায়বসি নোংমগী শুরগা চাজবা মীওইশিংনা কদায় ফাওবা ঙাকপা ঙমগদগে ? মীচমদি লায়রদনা অখঙবা মী ফাওবা থৌওইনরকত্রি । ঐখোয়গী ওইনা মীয়াম তিন্দবা য়াদবা থৌরম কয়া লৈরি। থৌরমশিং অয়াম্বনা হরাউ কুম্মৈ, লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। মীয়াম তিনবা হায়বসিমদি পাক য়াগদবা মান্দে । হেক য়াহনবদা ফিভম শোক্লা খুদোং থীবা নংবা য়াবগী অকীবা লৈরি । মরমদি ঐখোয় চেকশিনবা ৱাৎলি ।

মীওইবনা হিংবসিদা চানবা ঙাক্তা লৈরগা য়াদে । শা-ষণগুম্না, উচেক ৱায়াগুম্না পুক থন্না চানবগীখক খল্লগা লৈবা থৱায় পানবসু নত্তে। মীওইবদি ৱাখল খল্লি। পূক্লিং অমদি ৱাখল অনীসি হিংবদা য়াওরি। পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইবগা হিংবগসু মরী লৈনরকই। পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইবা হায়বসিনা হকচাংবু ফাজিন্দুনা থম্বা য়াদে। হকচাংগী পোত্থাফম থীরকই। য়ূমদগী মপান থোক্লরক্তুনা য়েংনিংবা তানিংবা, উনিংবা খঙনিংবা ময়াম অসিগী মফম থিরকপনি। মখোয়গা শকখঙ মায়খঙনবনি। মসি মীওইবগী লূদা তোংদা য়াওরক্লবা অমসু ওইরি। মীওইবনা ঈশৈ জগোয়, মীতৌ তমদুনা মীবু পেলহনবা, অকল -অথৌ উৎপা, শাফা লানফা মখল কয়াগী হরাউ কুম্মৈগী ওইবা থৌরম পুথোক্লরক্তুনা,উৎনরকইবসি মতাং অসিদনি। ৱাফমসি লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবা চৎনরক্লবা অমনি হায়নসু থাজনরি। লাই-তীন য়াম্না থাজবগী ৱাফম নত্তবদা, মীওইবগী পূক্লিং ৱাখল পেলহনবা হায়বসিদনি পূন্সিগী মশক লেপ্পরক্লিবসি। মুণি-ঋষিশিংনদি মসিবু খুদম চন্দুনা লাকশিন্নবা হোৎনরি। ঙমদবশিংনা মখল মখা কয়াগী থৌদোক থোকহল্লি, মীওইবগী ৱাখলদা পূন্সিদা অকায়বা পীদুনা লাকই।

হায়রিবা ময়াম অসি পেন্দমিক লাইচৎ অসিদদি চন্নফম লৈতে। খাম্বী মৈনা চাক্তবা পোৎশক লৈতবগুম কোভিদকী লাইচৎ অসিদদি পূম্নমক অরেম্বনি। অদুননি পূম্নমক পুমলেপ লেপ্পরিবসি । লাইরবা ইনাক খুনবা হায়বা খায়দ্রে লোইনমক লৌশিল্লগে হায়বা মতাগুম ময়া লাওনা কারগা লাইচৎ অসিনা লৈরি। ঈশিং ইচাউ অমগুম, অচৌবা সুনামি অমা লাকপগুম হৌরকখিবা লাইচৎনি। ঈশিং ইচাউনা কাচিন কোয়া য়ৌনা চেনশিন্দুনা য়ৌশিল্লম্বগুম লাইচৎ অসিনা য়ৌরমদবা মফম লৈত্রি। ঈশিং ইচাউনা হন্থখিবদা অফবা অমত্তা থম্বীরমদে। লৈখোম লৈনাং,অপূম অসা ঙাক্তা থম্বীরম্মী। মদুবু লোইথোক লোইশিন তৌবদা মতম মাঙহল্লি, ৱাবা লোইদ্রিবা হকচাংদা ইচাউ হন্থখিবা মতুংগী লাইনা কয়া লোক লাইহৌ, খোংহাম্বগী লাইনা অমনা অমুক খোমজিন তাশিনবীরি। মতৌ অসুম্না পেন্দমিক্লা লান্দাবিরল্লবা মতুংদা পোষ্ট কোভিদ হায়বা অমনা অমুক শিহৌ-নাহৌদবশিংদা কোম্বীং ওপরেসন অমসু অমুক চৎথবীরি। লাইচৎ অসিনা পীরিবা অৱাবসি লোইবা নাইদে। মখা করি থোক্লগদৌরিবা খঙদনা ঐখোয় লৈনরি।

হৌজিক লাইচৎ অসি নেমথরক্লে হায়না কোমথোকপা য়াদ্রি ।। অখঙ অহৈগী ৱাফম মতুংইন্না অহুমশুবা ঈথক অমা লাকখিগনি হায়নরি। হৌজিক্তি ঐখোয় মীওইবসু লালোং হোংদোকপা তারে । হিংনবগী পোরম শেমদোক্তবা য়ারোই। হান্নগী পূন্সি মহীং নত্তবা করম্বা পূন্সি অমদা অমুক ঐখোয় হিংনবা হোৎনগদগে হায়বসি পূন্না খন্নমিন্নবা চংঙি । চেং খরা ফংনবা হোৎনবা থুম থাও, অচা অথক খরা লেম্না ফংনবা হোৎনবা অসিনা ঐখোয় হিংবদা নুংঙাইনা হিংবা হায়বদু ওইরোইদৌরি। তাইবং পানবা লোইবা নাই, মীওইবা শিবা নাই । হিংলিঙৈ পূন্সিদা ঐখোয়না ঙম্বা খরা পাংথোকলম্বা হায়বসি মীপূম খূদিংনা হায়নবা, খন্নবা ৱাফম ওইরগসু মপান থোকপা য়াদবা, মীয়াম পূনবা য়াদবা অথিংবা অমা লৈরিবসি খঙনা শূদবা নোমদবা য়াদ্রে। হরাউ কুম্মৈদি ফিভম য়েংখিবা তারি, হিংবনা হান্না মরু ওই । হিংনবা ঐখোয় করি তৌসিগে? ৱাফমসি কূপ্পা তান্নরগা অমুক্তং পূন্সিসে মমল লৈনা মহাউ খঙনা হিংনবা হোৎনমিন্নখিসি লৈপাক মচাশা ।

—*মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১১৫

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

বদ্রি শাফবা মমাংলোমদগী য়াম্না কেনা-মৌনা লাক্লম্মী। মলমলগী কুর্টা, মদুগী মনুংদা নিংথম থাগী মতম ওইরবসু মোজা ফুরিত লিৎপা মথৌ তাই হায়না মহাক্না খন্দে। মহাক্কী হকচাং অদু থক-থক নিক্লম্মী। মখ্বাংদসু ফি অমনা পুনশিল্লম্মী অমসুং অঙকপা অমনা অতিয়া মচুগী য়াক্লবা লুঙ্গি অমসু শেৎলম্মী।

রঙ্গনাথনা হান্না খল্লম্মী মদুদি নুংশি চিঠি অদু রুপ্পন বাবুগী মমাংদা পুথোক্লে হায়না। 'সিনেমাগী কলচরদা কায়থরক্লিবা অসি মতৌ করম্না মেনখৎকনি' হায়বা টোপিকতা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লগা মহাকপু বেলাগী নুংশিবদা মাঙগদবদগী কলহৌগে হায়না খল্লি। মহাক্না খঙই মদুদি রুপ্পন বাবু হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাবা লুনা থোক্কনি। অদুবু নুংশি চিঠি অদুবু ফংলবদি ৱাখল হোংলকপদি য়াই। তৌইগুম্বসুং বদ্রি শাফবগী মওং মতৌ উরুবদা মহাক্কী প্লানিং অদু হোংদোক্লম্মী। থৌওং অদু কনাগুম্বা অফাওবা অমেরিকাগী এক্সপার্ট অমবু উরগা করি-করিগুম্বা মতমদা তৌগে খল্লম্বা প্লানিংশিং হোংদোকপগী মওংনি।

বদ্রি শাফবানা নুংশি চিঠি অদু লাপ্তুক্লা য়েংই। মদুবু খরা অরাইবা মওংদা উহন্নবা হায়দুনা রঙ্গনাথনা নুংশি চিঠি অদু মখুৎনা পায়রদুনা খরা লাপ্তুক্লা লেপ্তুনা লৈরম্মী। মহাক তুমিন্না নুংশি চিঠি অদু পাদুনা লৈরম্মী, মফম অমদা পাবা উরক্তবদগী মমিৎ শুক্তোরকই মদুদা রঙ্গনাথনা মঙোন্দা মতেং পাংনবগী পান্দমদা পারকই ... "অমুক হন্না ফজরবা ঙসিগী নুমীদাং অসি লাক্ত্রবসু" অদুগা হায়রকই, "ফজরবা নুমীদাং হায়বদি নুংশিবনা থল্লবা হায়বনি। "

বদ্রি শাফবনা থাগেরকই মদুগী ৱাহন্থোক নহাক্না শন্দোক্লা তাক্লক্ত্রবসু য়াই হায়বা ওইরম্বা য়াই। অসিগুম্বা ৱাদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী। নুংশি চিঠি অদু মপুং ফানা পারবা মতুংদা চিঠি অদু মখুৎনা পায়শিন্দুনা থুপচিন্দুনা মহাক্কী কুর্টাগী ফুরিৎ খাউদা হাপচিল্লি।

রঙ্গনাথনা হায়, "রুপ্পন বাবু য়াম্না অরানবা লম্বী অমদা চৎতুনা লৈরে। অদুগা নুপী অদু! চিঠি অসিদনা করি-করিনো খঙদে খল্লকপা ৱাহৈ ঙাক্তনা পীক থল্লি।"

মদুগী পাউখুম ওইনা বদ্রি শাফবনা য়াম্না কন্না নোক্লকই। অদুগা হায়, "চিঠি অদু গ্রাম সেবিকানা ইবা ওইরমগনি। মফম অসিদদি অদুগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতা অদু মহাক খক্তনা ইবা হৈবনি।"

"অদু ওইরবদি রুপ্পন বাবু গ্রাম সেবিকা অমদা পন্দুনা লৈরবা জাৎলা?"

শাফবা অদু হান্নগী মতৌগুম নোক্তুনা লৈরম্মী। অদুগা নোকপা অদু লেপ্লদুনা হায়রকই, "নত্তে-নত্তে। নঙসিমা ৱাফম খুদিংমক ওন্ন-তৈন্না হেক্তা খল্লি। নুপী অদু অদুগুম্বা থবক তৌদে। শুপ্নগী অতোপ্পা মীওইশিংগী চিঠি ইবনি।"

বদ্রি শাফবা মহাক্না চৎকদবা লম্বীদা চৎখ্রে। রঙ্গনাথকী মায়থোংদা অৱাবা-চিংনবা অমগী মমি তাবা উবদুদা চৎনা-চৎনা শাফবনা হায়রক্লম্মী "চিঠি অদুগী মতাংদা নহাক চিংনবা তৌগনু। ঐনা লোয়না ফনবা শিল্লগনি।"

কেসকী চৎথরিবা মফম অদু সিটিদনি অদুবু অয়াম্বা মীওইশিং শিবপালগঞ্জগী মীনা অয়াম্বা ওইরে। জোগনাথকী মায়োক্তা হুরানবগী কেস অদুগীদমক ইভিদেন্স পুথোক্লম্মী।

ওইরিবা ফীভম অদু য়াম্না মথোং-মরম খঙদবা মতম অমনি। কোর্টকী মাঙ্গোলদা হুইগী মতৌগুম মীওই কয়া তুমদুনা লৈরম্মী। মতম অদু হোলিসু নকশিল্লকপা মরম্না মীওই অয়াম্বনা ফাগি অমদি মচিন থিবা ৱাশিং ঙাঙনরম্মী। হকচাংদসু মচু কয়ানা লৈতেংলবা ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাউ শেৎন-ইনরম্মী। অমোৎপা, মকোয় চোম্বা, বিড়ি থক্তুনা অমদি অমোৎপা য়াগী মনুংদা খৈনিসু চেকশিন্না উমদুনা মখোল হৌনা-হৌনা ৱারী শান্নরম্মী। নুপী অমসু কোর্টকী মাঙ্গোল অদুদা তুমদুনা মচাবু খোম পীথক্তুনা লৈরম্মী। অদুগুম্বা সিন অদু মীওইশিং অদুগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইরে।

নুংশিৎসু য়াম্না শিৎলম্মী। উফুল অমদি উনা-ৱানাশিংনা মাঙ্গোল অদু পুমচাই চাইরম্মী।

খাকি শেৎপা পুলিস অনী মাঙ্গোলদুদা তুপি উপ্তুনা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরম্মী। পুলিসকী মীওই অনী অদুগী মনুংদা পুলিস অমগী খোংউপ নাম্মা অমনা কোর্টকী মমাংদা হৌরিবা খোংনাং পাম্বীদা ফল্লিবা খোংউপ ফোৎপা নুপা অদুদা পীখিরম্মী। খোংউপ নাম্মা অমনা কোর্টকী থোংজিনগী মনাক্তা লৌথোক্তুনা থমখিবনি। মরমদি পুলিসকী মীওই অদু অনৌবনি। কোর্ট অদুদা লৈরিবা উকিলশিং অদুসু থবক অমত্তা লৈত্রবসু থবক লৈবা শাদুনা মপান্দা অমুক থোক্লক অমদি মনুংদা অমুক চঙ তৌদুনা লৈরম্মী। চিংনবা লৈতনা হাকাম চন্দুনা কোর্ট অদুদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অদুসু মিনিট ১৫ খুদিংগী কোর্টতগী মপান থোক্লক্তুনা কোর্টকী মমাংদা লৈরিবা ক্বাগী দুকান অদুদা হেক-হেক চৎলি। অদুগা অমুক অতোপ্পা কোর্টতা কেস থেংনগদবা মীওইশিংবু মতুং ইনহন্দুনা মখোয়দা হায়রম্মী- ঙসিদি কোর্টতা থবক য়াম্না লৈ অদুনা হয়েং-হংচিৎ লাকউ। মচিন্দা ক্বা নমশিন্দুনা উটকী মঙককুম থাঙ্গৎতুনা অমুক হন্না কোর্ট মনুংদা চঙখি।

কোর্টকী মাঙ্গোল অদুদা লঙ্গরসু ফমদুনা লৈরম্মী।

প্রধান অমা ওইবনা মফম অদুদা ওইরিবা ফীভমশিং অদুদা সনিচর লাকপা য়াম্না মথৌ তাই। মরম অদুনসু হায়বদি ঙসি পিক্তু শাফবাবু পুলিসকী মায়কৈদগী জোগনাথকী মায়োক্তা ইভিদেন্স পীনবা লাক্লম্মী। থৌদোক অসিগী য়াম্না পুৱারী ওইগদবা ৱাফম অমা হায়রগদি পিক্তু শাফবা ৱেদ্যজিগী মীওইনি হায়না ময়াম্না খন্নরম্মী। অমদি জোগনাথসু ৱেদ্যজিগী মীনি। থৌদোক অদুনা তাক্লিবদি মীওই অমগী ইভিদেন্স পীনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা থবক তৌবা মী অনী-অনী লৈবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা রুপ্পন বাবুনা ফাগি ওইনা হায়খিবনি মদুদি লৈ অনী পুন্না শাৎমিন্নরে, অদুগা লাইবকনা তোঙান-তোঙাল্লি হায়বদুনি।

সনিচর অমদি খুঙ্গংগী মীওই কয়া কোর্টকী মনুং চঙখ্রে। লঙ্গরবু সনিচরনা শুপ্নগী কোর্টকী ওইবা মওং মতৌশিং অদু য়েংহন্নবা রিস্কোদা ফমহন্দুনা পুরকখিবনি। লঙ্গরসু মাঙ্গোল অদুদা ফমদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুদা মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী কয়া শাদুনা তাহল্লম্মী। লঙ্গরগী পুন্সি অমা খক্তনি, এক্সপরিএন্স অমা খক্তনি। অদুবু মহাক্না মতম অদুদা মীয়ামদা শন্দোক্লা তাক্লম্মী।

"... পাবুং অদুনি, নুমীৎ কয়ানিগী মতুংদা হায়বদি চহী অমগা থা অহুম হৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক্তা থবক অদু য়ারকপনি। কোপি অমা লৌনবগী থাখিবা এপ্লিকেসনগী মতাংদা হৌজিক অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রে। মথৌ তাবা পোৎশক অদু সদরদগী তহশিলদা অমুক হন্না লাকখ্রে। ঙৱাং তহসিল চৎলুবদা খঙলকই মদুদি নকল বাবু অদুনা ঐখোয়গী থবক অদু তৌবা হৌরে। ঙসি শেম-শারল্লগনি। অদুগা অশেংবা চাংদম্লবা হায়বদু ওইরগনি।"

"... শুপ্নগী হৌজিক নুমীৎ নীনি-হুম্নিগী থবক খক্তা ঙাইরে।"

উকিল অমা কোর্টকী উখোং অমদা ঙাথরদুনা চুরুট থক্তুনা লৈরম্মী, মফম অদুদগী মহাক্না হায়, "নুমীৎ কয়ানি মাঙহন্দুনা অমদা-অমদা চৎতুনা লৈবগী মহুৎতা হান্না ঐগী নাক্তা লাক্লল্লবদি নৎত্রগা উকিল অমগী মনাক্তা চৎলল্লবদি নুমীৎ হুম্নিগী মনুংদা ঙাহান্না লোইবা য়াবা থবকনি।"

লঙ্গরসু হৌজিক কান অসি সন্তোং (লাইনিংবশিং)গী মতৌগুম্না মোমোন নোকপা মতৌ হৈরদুনা মোমোন নোক্লদুনা অতোপ্পা মীওইশিংনা তাথি-তাওইবা ৱা ঙাঙলক্লবসু পূম্নমক অদু খাঙদুনা লৈরম্মী। মোমোন মীনোক অদু মহাক্না মপুং ফানা শীজিন্নদুনা হায়রকই, "উকিলগী মথৌ তাদবননি বাপু, মসিদি পৱারগী লাললনি। ঐনা লুপা মঙা নকল বাবুদা পীরল্লবদি নুমীৎ হুম্নি নত্তে, শুপ্নগী পুং অহুমদা ফংগনি। অদুবু অদুম্না ঐনা শেল পীগদবা নত্তে অমদি ঐনা পীরগা লৌগদবসু নত্তে।"

উকিল অদুনা হায়, "মহাক্না করিগী লৌদ্রিবনো? শেল পীরগা মহাক্না লৌদব্রা?"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।